
মোদি সরকারগী গরেন্টী
অহোংবা অমসুং অফবা ক্বালিটিগী হীদাকশিং য়ামদ্রবদা চাদা ৭৫গী দিস্কাউন্টদা ফংহল্লে
লায়রবশিংগী লুপা ক্রোর লিশিং ২৩ সেভ তৌরে
অকুপ্পা মরোলগীদমক স্কেন তৌবীয়ু
হমারা সনকল্প ভিক্সিট ভারত



# ‘ফুটবোল অমসুং হোক্কীগী ওইবা ষ্টেট লেভেল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি’




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস):** য়ুনাকোনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৯ অমসুং মথং থাগী ৫দগী হৌরগা য়ুনাকো ট্রোফি ২০২৪ অমসুং য়ুনাকো কপ ২০২৪ হায়না মিংথোনবা ফুটবোল অমসুং হোক্কীগী ওইবা ষ্টেট লেভেল টুর্নামেন্টশিং হৌদোক্লগনি হায়না য়ুনাকো গ্রুপকী চ্যেরমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর নিংঙোম্বম ইরাবন্তনা ফোঙদোকখ্রে।

খোংমনদা লৈবা য়ুনাকো টাৱরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা ইরাবন্তনা হায়, মতম কয়াগী মমাংদগী য়ুনাকোনা শান্ন-খোৎনবগী লম্দা অহেনবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। হন্দক চহীগী ওইনসু য়ুনাকো স্কুল, চনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মখাদা লৈরিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌরিবা নোরদর্ন ইরিল ভেলি স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন কৈবীনা শীন্দুনা ৯-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমসুং ৯-এসাইদ মেন্স ওপন হোক্কী টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি। ফুটবোল টুর্নামেন্টনা থা অসিগী ২৯দা অদুগা হোক্কীগীনা মথং থাগী ৫দগী হৌরগা চনুংদা লৈবা য়ুনাকোগী রেসিদেন্সিএল স্কুল কেম্পসতা হৌদোক্লবা শেম শারি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ঈরাংগী ফীভম অসিনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদবা মফম হোংদোক-হোংজিন তৌরকপা য়াই হায়খি।

মহাক্না হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট গোকুল অথোকপমনা ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবশিংদগী লৌগদৌরিবা রেজিষ্ট্রেসন ফী অদুসু রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংদা কত্থোক্কনি। ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা টিম ২০ লোম্না শরুক য়াগনি। লোয়ননা হোক্কী টুর্নামেন্ট অসিদনা মণিপুরগী মাংজিল থারিবা টিম ৮না শরুক য়াগনি। টুর্নামেন্ট অনীমক অসিগী ৱিন্নরগী ওইনা কেশ প্রাইজতা লুপা লিশিং ৫০ অমসুং রন্নিং ট্রোফি অমা য়াওগনি। ফর্ষ্ট রন্নর্স অপকী ওইনা কেশ প্রাইজ অসি লুপা লিশিং ৩০ ওইগনি।

য়ুনাকো কপ অমসুং য়ুনাকো ট্রোফি হায়না মিংথোন্দুনা পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি অম্ফা, মণিপুর হোক্কী অমসুং হোক্কী ইন্দিয়াগী চৎন-কাঙলোন মখাদা পাঙথোক্কদবনি। ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা য়ুনাকোগী ওইবা স্পোর্টস একাদেমি অমা হাংদোক্লগনি হায়খি।

# দি এম রাওনা রাও থোইখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্ফেলপাৎ থোংখোঙদা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা অহানবা প্রেমিয়র লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দিমাপুর রোদ এথলেটিক ওর্গনাইজেসন (দি এম রাও)না রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন (রাও)বু পাঞ্জল ৫-২দা থোইখ্রে। সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) অমসুং অসুফি এফ এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১.১৫ তাবদগী হৌরগা দি এম রাও অমসুং রাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা দি এম রাওগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশীং হেন্না ফংখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌগৎলকপগী ৫শুবা মিনটতা রাওনা খঙহৌদনা চথুরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী এম দি মুষ্টোফানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। রাওনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা শান্নরকপদগী দি এম রাওনা মেটচ অদুগী ১৭, ৪৩ অমসুং ৪৫ শুবা মিনটতা থংন-থংননা পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু টিম অদুগী মিদফিল্ডর কোন্থৌজম মোনেক্সনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুগী ৭৯ অমসুং ৯২ শুবা মিনটতা দি এম রাওগী ওক্রম রোহিট অমসুং ৱাই সোনম চোথেনা পাঞ্জল অমমম্ মখা তানা চনখি। অদুগা ৮৮ শুবা মিনটতা রাওগী ওইনা খাইদেম অজনা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদুদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু দি এম রাওনা পাঞ্জল ৫-২দা থোইখিবনি।

অমরোমদা, অয়ূক পুং ১১.১৫ তাবদগী হৌরগা এস এস য়ু অমসুং অসুফি এফ এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম্ চন্দুনা দ্রো ওইখিবনি।

# মার্সিএল আর্টস গেমসতা শরুক য়াগদবশিং লমথাখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ২৯ অমসুং ৩০দা নেপালগী কাঠমান্দু মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯শুবা সাউথ এসিয়ন মার্সিএল আর্টস গেমসতা ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াগদবা সী আর পি এফ এক্স ৱেলফ্যের স্পোর্টস একাদেমিগী শান্নরোয় ৯ ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী লমথাখ্রে।


লমথাবগী থৌরম অদুদা স্পোর্টস একাদেমি অসিগী থৌমীশিং অমদি শান্নরোয়শিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমদি কোচ চুংখাম নিংথেমনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা কোচ নিংথেমনা শান্নরোয়শিং অদুবু পূক্নিং থৌগৎপা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

# সী ৱাই এস এনা ৱিন্নর ওইরে

**থৌবাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস):** মোদর্ন য়ুঠ ক্লব খাঙবোক্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৪দগী টিম ১২না শরুক য়াদুনা টি এ এম গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চথুরকপা অনীশুবা ভিশাল মেমোরিএল ৯-এসাইদ ওপন ফুটবোল ট্রোফি ২০২৪গী ৱিন্নর সী ৱাই এস এ খাঙবোক্না ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সী ৱাই এস এ খাঙবোক্না এম এফ সী সী ৱাংজিংবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপূ ওইবা ঙমখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1031

**M. Pijuan Herranz (2240) - Dan Garrido Fernandez (2262)**
**TCh-CAT 2014 Catalonia ESP, 2014.02.08**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 f5 | 2.g3 Nf6 | 3.Bg2 g6 | 4.Nf3 Bg7 | 5.O-O O-O |
| 6.b3 d6 | 7.Bb2 Qe8 | 8.d5 c6 | 9.c4 Bd7 | 10.Nd4 Na6 |
| 11.e3 Rc8 | 12.Nc3 Qf7 | 13.Qe2 Nc5 | 14.Rad1 Nfe4 | 15.Nxe4 Nxe4 |
| 16.dxc6 bxc6 | 17.Qc2 c5 | 18.Ne2 Bc6 | 19.Nf4 Bxb2 | 20.Qxb2 g5 |
| 21.Nd5 e6 | 22.Nc3 Qf6 | 23.Bxe4 Bxe4 | 24.f3 Bc6 | 25.Rxd6 Rfd8 |
| 26.Qd2 Kf7 | 27.Nb5 Bxb5 | 28.cxb5 Rxd6 | 29.Qxd6 Rd8 | 30.Qxc5 Rd2 |
| 31.Qxa7+ Kg6 | 32.e4 f4 | 33.Rf2 Qa1+ | 34.Kg2 Rd1 | 35.gxf4... |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 1030 Solution :**

**41. ...Rxc4** The black rook deflects White's pawn away from protecting the pawn. **42. dxc4 Rxb3** The black rook moves out of the pin by White's queen against Black's queen. The black rook deflects White's rook away from protecting the square e1. **43. Qd8+ Kh7 44. Rxb3 Qxe4+ 45. Kg1 Qe1#** Back-rank mate
**0-1**

ꯒꯪꯁꯥꯏꯗꯥꯟ ꯇꯦꯉꯂꯣꯟ ꯑꯣꯡꯂꯣꯟ

USED VEHICLES EXCHANGE / 2,3,4 Wheeler
Sales with Purchased / Vehicles Loan Available


# Used Vehicles খূদিংমক :- 4/W - XUV-300, Venue, Tata Nexon, Brezza, Bolero New, Alto, Van, Eco Van, Diesel Auto, e-Rickshaw, Commercial Vehicles, Tractors with Heavy Vehicles, JCB etc.
# 2/W :- Activa, Dio, Pleasure with all Motorcycles etc.
# Vehicles শিং Exchange তৌবীনিংবা, য়োনবীনিংবা (Sales) অমসুং Purchasing গী খূদোংচাবা পীজরি।
# 2/4/3 Wheeler গী Loan গী খূদোংচাবসু লৈগনি। (e-rickshaw loan সু ফংবীগনি।

EMPLOYMENT NEWS
# Office Asst. (Nambol, Samurou, Keishamthong)
# 2/Wheeler Mechanic, 2/4 Wheeler Painting Mistry
# Car Wash Helper / Tyre Fitting Helper
N.B. : লৈবা-চাবা Free ওইবগী মথক্তা থাগী Pay মতিক চানা পীগনি।


Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Imphal West, Manipur,
# 9362775475, # 9366434484

HL-B/8455/23/12-21/02



Title : Teddy Bear
By : Bandana Laishram
Class : KG-I Roll No. : 57 Sec. : A
School : Catholic School Canchipur


Title : A Man
By : Naorem Chanda Devi
Class : II Roll No. : 45 Sec. : B
School : Padma Ratna English School, Kakching


Title : Bird
By : Nongmaithem Chingchumleima
Class : KG Roll No. : 69 Sec. : B
School : Christ Jyoti Schoo, Mantripukhri



Title : Indigo Flight Take Off
By : Google Soibam
Class : III Roll : Sec. :
School : Alpha & Omega School, Porompat


Title : Scenery
By : Maisnam Henthoi Chanu
Class : III Roll : 56 Sec. : C
School : Catholic School Canchipur


Title : Rooster
By : Chabungbam Jeshurund
Class : III Roll No. : 6 Sec : H
School : Tiny Tots Unique School


Title : Dolphin
By : N. Korounganba
Class : Roll No. : 12 Sec. : B
School : The Combined English School


Title : Fish
By : Lanleima Yaikhom
Class : KG Roll No. : 33 Sec : A
School : Little Flower School


Title : Gojo Satoru
By : Mangal Nongthombam
Class : III Roll No. : 1 Sec. :
School : Unique Children School, Wangjing


Title : Sujuki
By : NIngoleima Mutum
Class : IV Roll No. : 87 Sec. : E
School : Catholic School Canchipur


Title : Anime
By : Panjil Laishram
Class : IV Roll No. : Sec. :
School : Alpha & Omega School, Porompat


Title : Scenery
By : Parihanba Laishram
Class : KG-I Roll No. : 37 Sec. : C
School : Catholic School, Canchipur


Title : Traffic Light
By : Piyaiba Wahengbam
Class : Nursery Roll No. : Sec. :
School : Malom Tulihal Primary School


Title : Sister
By : Riandy Yengkokpam
Class: LKG Roll No. : Sec. :
School : Little House, Singjamei



Title : A Scenery
By : Salika Mahadi
Class : IV Roll No. : 62 Sec. : A
School : Nirmalabas Junior School


Title : Madara Uchiha
By : S. Tomthinnganba
Class : V Roll No. : 3 Sec. : B
School : The Combined English School


Title : A Ship
By : Wanglen Yumnam
Class : III Roll No. : 37 Sec. : D
School : Catholic School, Canchipur


Title : Flower
By : Makrakmayum Warisha
Class : I Roll No. : 5 Sec. : A
School : Oinam Sawombung High School


Title : A Ship
By : N. Yishi Singh
Class: IV Roll No. : Sec. :
School : RKMS


Title : Charlizard
By : Yohenba Tongbram,
Class : III Roll No. : 50 Sec. : D
School : Tiny Tot's Unique School

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com